

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, MONDAY, FEBRUARY 19, 2018 PAGE 7




*কটার ওপন দব্লিয়ুটিএ টেন্নিস টুর্নামেন্টকী সেমি ফাইনেলদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান দেনমার্ককী কেরোলিন ৱোজনিয়াকিবু মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবী জেক রিপব্লিক্কী পেত্রা কিটোভা*

*য়ুরোপিয়ান গোল্ফ টুরগী মনুং চন্না অহানবা ওইনা পাঙথোকপা ওমান ওপন গোল্ফ টুর্নামেন্টতা টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা নেদরলেন্দস মচা জুস লুইটেনো ট্রোফি পায়দুনা হরাওবা ফোঙদোকপা*

## ৱিকেট ৫ আউট তাহনখিবা বোল্লর ভুবনেশ্বর কুমারগী ফজবনা সাউথ অফ্রিকাবু ইন্দিয়ানা অহানবা টি–২০ মেটচ রন ২৮দা থোইখ্রে

*জোহেন্সবর্গ, ফেব্রুৱারি ১৮ঃ*

হন্দক্তা য়ুম্বু সাউথ অফ্রিকাবু মেটচ ৬কী ৱান–দে সেরিজদা মেটচ ৫–১দা মায়থিবা পীবা ঙমখ্রবা মতুং ঙসি লৈবাক অনীনা টি–২০ মেটচ ৩গী সেরিজগী অহানবা মেটচ অদুদা ইন্দিয়াগী বোল্লর ভুবনেশ্বর কুমারগী য়াম্না ফজবা বোল্লিং পর্ফোমেন্সনা ৱিকেট ৫ লৌবা ঙমদুনা মেটচ ৩গী সেরিজগী অহানবা মেটচ অদু ইন্দিয়ানা রন ২৮দা মায়পাকখ্রে।



*সাউথ অফ্রিকাগী বেটচমেন ৫ আউট তাহন্দুনা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা ইন্দিয়াগী বোল্লর ভুবনেশ্বর কুমার*

ঙসি সাউথ অফ্রিকাগী সিটি জোহেন্সবর্গতা লৈবা ন্যু ৱান্দরর্স ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা টি–২০ মেটচ ৩গী সেরিজগী অহানবা মেটচ অদুদা য়ুম্বু লৈবাক অদুগী কেপ্তেন জোন পোল দুমিনিনা ঙমদুনা বোল্লিং হান্না তৌখি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ওভর ২০গী মশান্না অদুদা ৱিকেট ৫ আউট ওইরগা রন ২০৩ লৌদুনা য়াম্না ফজবা টার্গেট অমা থম্বা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ওপন্নর রোহিট শর্ম্মা অমদি সিখর ধৱননা য়াম্না ফজবা মওংদা রন লৌবগী চাং অদু য়াম্না ৱাংদুনা অনীশুবা ওভর লোয়দ্রিঁঙৈদা রন ২৩ লৌবা ঙমখি। ওপন্নর রোহিট শর্ম্মা বোল ৮দা সিক্স ২ অমসুং ফোর ২ য়ৈদুনা মশাগী রন ২১ লৌদুনা লৈরিঁঙৈদা আউট ওইখিবদগী সুরেস রাইনা শান্নবা চঙলকখি।

অতোপ্পা ওপন্নর সিখর ধৱন অমদি রাইনানা শান্নমিন্নরকপদা অপুনবা স্কোর অদু ৪৯ য়ৌহল্লকখি। শুপ্নগী বোল ৭তা সিক্স ১গা লোয়ননা ফোর ২ য়ৈরম্লগা বোল ৭তা মশাগী রন ১৫দা সুরেস রাইনা আউট ওইখি।

মেটচ ৬কী ৱান–দে সেরিজ দা মেন ওফ দি সেরিজ তাবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী কেপ্তেন ভিরাট কোলি অমসুং সাউথ অফ্রিকাগী বোল্লরশিং অদুবু য়াম্না ফজবা মওং দা লম্বা পীদুনা লৈরিবা ওপন্নর সিখর ধৱননা ইন্দিয়াগী অপুনবা স্কোর অদু ১০৮ য়ৌহনখি।

কেপ্তেন কোলি বোল ২০দা সিক্স অমগা লোয়ননা ফোর ২ য়ৈরম্লগা রন ২৬তা আউট ওইখ্রবা মতুং মনিস পান্দে শান্নবা চঙলকখি। মহাক্না মশাগী রন ৫০ লাম্থোকপা ঙমখ্রবা সিখর ধৱননা ইন্দিয়াগী স্কোর অদু ১৫৫ য়ৌহনবা ঙমখি।

ইন্নিংসকী ওভর ১৫ য়ৌরকপদা ধৱন মশাগী রন ৭২ লৌরগা আউট ওইখি। ধৱননা বোল ৩৯ মায়োক্লবদা সিক্স ২ অমসুং ফোর ১০ য়ৈরমখি।

মহাক্কী মহুট শিনখিবা এম এস ধোনি রন ১৬ লৌরম্লগা আউট ওইখি। পান্দে অমসুং হার্দিক পান্দিয়ানা ইন্দিয়াগী স্কোর অদু ২০৩ য়ৌহল্লগা ইন্নিংস অদু লোয়শিনখি।

মায়পাক্লবগী রন ২০৪ লৌবগী টার্গেট লৈখিবা অদু য়ৌনবা হোৎনরকপদা সাউথ অফ্রিকাগী মায়কৈদগী ওপন্নর রিজা হেন্দ্রিক্সনা বোল ৫০দা রন ৭০ লৌখিবা অদু নত্তনা অতোপ্পা বেটচমেনশিং রন ৫০ য়ৌবা অমত্তা ঙমখিদে।

সাউথ অফ্রিকাগী ইন্নিংস হৌরকপদা অহানবা ওভর ৩ শুরকপদা রন ২৯ লৌবা ঙমখি। ওপনর জেজে স্মুটস রন ১৪দা আউট ওইখি। মহাক্কী মতুং চঙলকখিবা কেপ্তেন দুমিনি রন ৩দা আউট ওইখি।

মহাক্কী মহুট শিনখিবা দেবিদ মিলরসু রন ৯খক লৌরম্লগা আউট ওইখিবদগী সাউথ অফ্রিকাগী স্কোর অদু ৱিকেট ৩ তুবদা রন ৪৮ লৌখি।

ফার্হান বেহার্দেন অমসুং হেন্রি দ্রক্সনা মখা তানা রন ১২৯ ফাওবা পুখৎপা ঙমখি। অদুবু বেহার্দেন রন ২৯দা আউট ওইখিবদগী মখা তারকপা বেটচমেন অনী মথংশিংনা রন ১৬ অমসুং ১৩ লৌরম্লগা অতোপ্পা বেটচমেনশিংন রন লৌবা ঙমখিদবদগী অপুনবা ওভর ২০ লোয়শিল্লকপদা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ১৭৫ খক লৌখিবদগী মেটচ অদু ইন্দিয়ানা রন ২৮দা মায়পাকপা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী বোল্লর ভুবনেশ্বর কুমারনা শুপ্নগী রন ২৪ পীরগা ৱিকেট ৫ আউট তাহনখিবদগী ইন্দিয়ানা টি–২০ মেটচ ৩গী সেরিজ অদুদা মেটচ অমা মাংজিল থাদুনা লৈরি। ২শুবা অমদি ৩শুবা মেটচ থা অসিগী ২১ অমসুং ২৪দা শান্নগনি।

## ওষ্ট্রিয়াগী মার্সেল হিরসরনা পিওংচাং ৱিন্টর ওলিম্পিক গেমসকী নুপাগী এলপাইন স্কিয়িং জাইন্ট স্লালোমদা গোল্ড মেডল ফংবা ঙমখ্রে

*পিওংচাং, ফেব্রুৱারি ১৮ঃ*

সাউথ কোরিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্লিবা পিওংচাং ৱিন্টর ওলিম্পিক গেমসকী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী এলপাইন স্কিয়িং জাইন্ট স্লালোমদা ওষ্ট্রিয়াগী মার্সেল হিরসরনা গোল্ড মেডল ফংদুনা ওলিম্পিক অসিদা মশাগী অনীরকশুবা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখ্রে।



*নুপাগী এলপাইন স্কিয়িংগী জাইন্ট স্লালোমদা গোল্ড মেডল ফংখ্রবা ওষ্ট্রিয়াগী মার্সেল হিরসর*

নুপাগী এলপাইন স্কিয়িংগী জাইন্ট স্লালোম ইভেন্ট অদুদা ওষ্ট্রিয়াগী মার্সেল হিরসরনা গোল্ড মেডল ফংখ্রবা মতুং নোরৱেগী হেনরিক খৃষ্টোফরসননা সিলভর মেডল অদু লৌবা ঙমখি।

পনবা য়াই ইভেন্ট অদুদা গোল্ড মেডল ফংবা ঙমখ্রবা ওষ্ট্রিয়াগী মার্সেল হিরসরনা চথরিবা পিওংচাং ৱিন্টর গেমস অসিগী মমাঙদা পাঙথোকখিবা নুপাগী কম্বাইন ইভেন্টতা মাঙজৌননা গোল্ড মেডল অমা ফংবা ঙমখ্রবনি। হিরসরনা গোল্ড মেডল ফংখিবা ইভেন্ট অদুদা ফ্রান্সকী এলেসিস পিন টুরোল্টনা নোরৱেগী হেনরিক্কী মতুংদা ব্রোঞ্জ মেডল অদু লৌবা ঙমখি।

কুমজা ২০১৪ সোচি ৱিন্টর ওলিম্পিক গেমসতা জাইন্টস স্লালোমগী গোল্ড মেডল ফংবা ঙমখিবা য়ুএসএগী টেদ লিগেতি পিওংচাং ৱিন্টর ওলিম্পিক গেমস অসিদা গোল্ড মেডল ফংখিবা ওষ্ট্রিয়াগী মার্সেল হিরসরগী মতুংদা সেকেন্দ ৩.২১ চোন্থরগা ১৫শুবা পোজিসন তাখি।

## অহুমশুবা টি–২০ মেটচতা সাউথ অফ্রিকাগী নুপী ক্রিকেট টিম্না ইন্দিয়াগী নুপী ক্রিকেট টিম্বু ৱিকেট ৫ দা মায়থিবা পীখ্রে

*জোহেন্সবর্গ, ফেব্রুৱারি ১৮ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপীগী ক্রিকেট টিম্না সাউথ অফ্রিকাদা চত্তুনা শান্নরিবা ক্রিকেট টুরগী মনুং চন্না ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা টি–২০ মেটচতা য়ুম্বু সাউথ অফ্রিকানা ইন্দিয়াবু ৱিকেট ৫ দা মায়থিবা পীখ্রে।



মেটচ অদুগী টোস ইন্দিয়াগী নুপীগী ক্রিকেট টিম্না ঙমদুনা হান্না বেট্টিং তৌখি। মদুদা ইন্দিয়াগী টিম্না ওভর ১৭ কা বোল ৫দা ৱিকেট ১০মক আওট ওইদুনা রন ১৩৩ খক্তমক লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ওপনর ওইনা থোরকখিবী মিথালি রাজ অহানবা ওভরদা রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা আওট ওইদুনা ইন্দিয়াগী ফিভম শোকচিন্না লৈখি। নৌনা থোরকখিবা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ওইরিবা হর্মনপ্রিত কোরনা ওপনর ওইনা লৈরিবী স্মৃতি মন্ধগাগা পার্টনর ওইদুনা ইন্দিয়াগী স্কোর অদু রন ৫৫ ফাওবা পুখৎলকখি।

ওপনর মন্ধনা বোল ২৪ মায়োক্লবদা সিক্স অমা অমসুং ফোর ৫ য়ৈরগা রন ৩৭ লৌম্লগা সাউথ অফ্রিকাগী বোলর ভান নৈকর্কনা আওট তাহন্দুনা ইন্দিয়াগী অনীশুবা ৱিকেট তুখি। মতম অদুদা ইন্দিয়াগী স্কোর ৫৫ দা লৈখি।

হর্মনপ্রিত কোরনা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা বোল ৩০ মায়োক্লবদা সিক্স ২ অমসুং ফোর ৬ য়ৈরগা রন ৪৮ লৌরম্লগা সাউথ অফ্রিকাগী বোলর ইসমেলনা আওট তাহনখি।

৪শুবা বেটসৱুমেন ওইনা চঙলকখিবী জেমিমা রোড্রিগেজসু শুপ্নগী রন ৬ খক লৌরম্লগা আওট ওইখি। মহাক্কী মতুংদা থোরকখিবী ভেদা কৃষ্ণামুর্থিসু ফজবা বেট্টিংগী পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা বোল ১৪ খক মায়োক্লবদা ফোর ৪ য়ৈরগা রন ২৩ লৌরমখি।

মখা তাবা ইন্দিয়াগী বেটসৱুমেনশিংনা রন ১০ য়ৌবা ঙমখিদবদগী ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদু ওভর ২০ মপুং ফানা শান্নবা ঙমদনা ১৭শুবা ওভরগী ৫শুবা বোলদা ৱিকেট ১০ মক আওট ওইদুনা রন ১৩৩ দা লোইশিনখি।

সাউথ অফ্রিকাগী বোলরশিংগী মনুংদা সাবনিম ইসমেলনা য়াম্না ফজবা বোল্লিংগী পার্ফোমেন্স উৎতুনা ইন্দিয়াগী ৱিকেট ৫ লৌবা ঙমখি। টিমমেট মাসাবাটা ক্লাসসু ৱিকেট ২ লৌবা ঙমখি।

সাউথ অফ্রিকাগী নুপীগী ক্রিকেট টিমনা মায় পাক্লবগী লৈখিবা রন ১৩৪ গী টার্গেট অদু ১৯শুবা ওভরগী অরোইবা বোলদা ৱিকেট ৫ খক তুরগা লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু ৱিকেট ৫ দা মায় পাকপা ঙমখি।

সাউথ অফ্রিকাগী ওপনর জিজেলি লি রন ৫ খক লৌরম্লগা ইন্দিয়াগী বোলর পুজা ভাস্ত্রাকরনা আওট তাহন্দুনা অহানবা ৱিকেট তুখি। অতোপ্পা ওপনর অমদি কেপ্টেনসু ওইরিবা দানে ভান নৈকর্কসু বোল ২০ মায়োক্লবদা ৫ য়ৈরগা রন ২৬ লৌরমদুনা মায় পাকপা অদুদা চাউনা মতেং পাঙখি।

অহুমশুবা বেটসৱুমেন সুনে লুসনা বোল ৩৪ মায়োক্লবদা ফোর ৫ য়ৈরগা লৌরম্বা রন ৪১ অদুনা ইন্নিংস অদুগী খ্বাইদগী য়াম্বা স্কোর ওইখি। মরিশুবা বেটসৱুমেন গিগনোন দু প্রিজনা লৌরম্বা রন ২০ অমসুং চলোই ত্রিওননা লৌরম্বা অদু ৩৪ অদু নত্তনা মখা তাবা বেটসৱুমেনশিং দি রন ১০ য়ৌবা অমত্তা য়াওখিদে।

টিম অনী অসিনা মখোয়গী মরিশুবা টি–২০ মেটচ অদু য়ুমশাকৈশ নুমিৎতা সাউথ অফ্রিকাগী সিটি সেঞ্চুরিওনদা লম্বা তৌনরগনি।

## রোটরদাম ওপনগী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা স্বিজরলেন্দগী ফেদরর অমসুং বলগেরিয়াগী দিমিত্রোভ লম্বা তৌনরগনি

*রোটরদাম, ফেব্রুৱারি ১৮ঃ*

নেদরলেন্দসকী সিটি রোটরদামদা পাঙথোক্লিবা এটিপি টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা রোটরদাম ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা নৌনা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইবা ঙমখ্রবা স্বিজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা বলগেরিয়াগী গ্রিগোর দিমিত্রোভকা লম্বা তৌনরগনি।



স্বিজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ইটালিগী এন্দ্রিয়াস সেপ্পিবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি। অমরোমদা ফেদররগা ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবা বলগেরিয়াগী গ্রিগোর দিমিত্রোভ মহাক্কী লম্বা ওইখিবা বেলজিয়মগী দেবিদ গোফিন মশা শোক্তুনা শান্নবা ঙমখিদবদগী ফাইনেল য়ৌরকপনি।

ফেদরর অমসুং এন্দ্রিয়াস সেপ্পিনা ঙসি অঙনবা শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেট অদুদা ফেদররনা সেপ্পিগী সার্ভিস গেম অমা ঙন্না ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

সেট অমা শোত্থরবা এন্দ্রিয়াস সেপ্পিগী মায়কৈদগী অনীশুবা সেট অদুদা য়াম্না অকনবা লম্বা পীদুনা শান্নরকপদগী সেট অদু টাই ব্রেক ফাওবা য়ৌরকখি। অদুবু টাই ব্রেক অদুনা এক্সপরিয়েন্স হেল্লবা স্বিজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা ৭–৬(৭–৩) দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

কটারগী সিটি দোহাদা পাঙথোক্লিবা দব্লিয়ুটিএ টেন্নিস টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা কটার ওপন টেন্নিসকী ফাইনেলদা জেক রিপব্লিক্কী পেত্রা কিটোভা অমসুং স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজা লম্বা তৌনরগনি।

জেক রিপব্লিক্কী পেত্রা কিটোভানা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান দেনমার্ককী কেরোলিন ৱোজ নিয়াকিবু য়াম্না অকনবা মওংদা লম্বা তৌনরবা মতুং সেট ২–১ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অদুগী অহানবা সেট দেনমার্ককী ৱোজনিয়াকিনা পেত্রা কিটোভাগা সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

সেট অমা শোত্থরবা কিটোভাগী মায়কৈদগী অনীশুবা সেট অদুদা য়াম্না অকনবা লম্বা পীদুনা শান্নরকখিবা অদুনা মরম ওইরগা টাই ব্রেক্তা ৭–৬(৭–৩) দা থোইদুনা শান্নরোই অনীমক সেট অমমম মান্নদুনা লৈখি।

অরোইবা অমদি দিসাইদিং সেট অদুদা শান্নরোই অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্লদুনা শান্নরকখিবদগী গেম ৫–৫ মান্নদুনা লৈখি। অদুবু থংনবা গেম অনী জেক রিপব্লিক্কী পেত্রা কিটোভানা লৌবা ঙমখিবদগী কটার ওপন টেন্নিসকী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

য়ুএসএগী সিটি ন্যু য়োর্কতা চত্থরিবা ন্যু য়োর্ক ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা সাউথ অফ্রিকাগী কেবিন এন্দরসন অমসুং য়ুএসএগী সাম ক্বেরি লম্বা তৌনরগনি।

সাউথ অফ্রিকাগী কেবিন এন্দরসননা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেল মেটচতা শোক্লবদগী নৌনা শরুক য়ারকখিবা জপানগী কৈ নিসিকোরিবু সেট ২–১ দা মায়থিবা পীরমখি।

মেটচ অদুগী অহানবা সেট জপানগী কৈ নিসিকোরিনা য়াম্না হেন্দুনা কেবিদ এন্দরসনগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬–১ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

সেট অমা শোত্থরবা এন্দরসনগী মায়কৈদগী ফজবা মশান্না উৎতুনা শান্নরকখিবা অদুনা মরম ওইরগা অনীশুবা সেট অদুদা জপানগী কৈ নিসিকোরিগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইদুনা শান্নরোই অনীমক সেট অমমম মান্নদুনা লৈখি।

অহুমশুবা সেট অদুদা শান্নরোই অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা ওইখিবনা মরম ওইরগা টাই ব্রেক ফাওবা য়ৌরকখি। টাই ব্রেক অদুদা সাউথ অফ্রিকাগী এন্দরসননা ৭–৪ দা থোইদুনা ফাইনেল চঙলকখি।

অমরোমদা য়ুএসএগী সাম ক্বেরিনা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ফ্রান্সকী এন্দ্রিয়ান মানারিনোবু ৬–৭(৫–৭), ৭–৫, ৬–৩ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

## পেরা পৱারলিফটিং ৱার্ল্ড কপ্তা ইন্দিয়াগী লিফটর সকিনা খাতুননা কেজি ৪৫ গী কেটেগোরিদা সিলভর মেডল লৌখ্রে

*দুবাই, ফেব্রুৱারি ১৮ঃ*

য়ুএইগী কোনুং দুবাইদা পাঙথোকপা পেরা পৱারলিফটিং ৱার্ল্ড কপকী কেজি ৪৫ গী কেটেগোরিদা শরুক য়াখিবী ইন্দিয়াগী পেরা লিফটর সাকিনা খাতুন সিলভর মেডল ফংবা ঙমখ্রে।




সকিনানা ৱার্ল্ড কপ অদুদা পুন্না কেজি ৮০ থাঙ্গৎতুনা সিলভর মেডল ফংবা ঙমখিবনি। নীংশিংবা য়াই চহী ২৮শুরবী সকিনা খাতুননা হৌখিবা থাদা চহী অসিগী এপ্রিল থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা কম্মনৱেল্থ গেমসতা মহাক্কী মমিং য়াওরক্তবগী মতাংদা মশা মথন্তা শিজগনি হায়না ফোঙদোকপগী ৱাফমদা লৈবাক অসিগী শান্নরোইবগী লমদা অচৌবা ৱাথোক অমা ওইখিবনি।

পোলিও লায়নানা শোকহনখিবদগী মপুং ফাবা এঠলিট অমা ওইবা ঙমখিদ্রবসু কুমজা ২০১৪ দা স্কোটলেন্দগী সিটি গ্লাসগোনা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা পেরা এঠলিট অমা ওইনা লাইট ৱেথ কেটেকোরিদা ব্রোঞ্জ মেডল ফংবা ঙমখিবনি।